# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-40

### Changing Monsoon Pattern (Rain Cycle)

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**
নুপা:- (১) তোলহন - প্রধান (২) থোয়হেনবা - মেটরিওলোজিষ্ট
(৩) পামহৈবা - লৈকায় পাখং
নুপী:- (১) কৈন্যাতোম্বী - পামহৈবগী মমা
(২) লমঙানবী - প্রধানগী মচানুপী

(মতম:- অয়ুক অঙনবা, মফম: চীংয়াগী লৌবুক, উচেক-ৱায়াগী খোঞ্জেল)

পামহৈবা :- নোংজু থা য়ৌরক্লসিফাওবা নোংদি তারক্তরে, হে নোং পুবা নুংশিৎ নংসু কৈদৌরবগে হৌজিক ফাওবা য়ৌরক্ত্রিবসিবো, লৈক্রক চৎলবা লৌবুক লম্মাংশিংনা নংতবু খৌরাংনা ঙাইজরি, নঙনা মরাক্ত্রবদি মহৈ-মরোং, উহৈ-ৱাহৈ অমতা পাল্লরোই, হৌররোয়, লৌমী ঐখোয়দি কোক্তা খুৎ হাপ্লে, লূকোকপদা লেন তাবা হায়বদু ওইরেনে (মুরুম মুরুম শোনবা)।

লমঙানবী :- (হোবে হোবে লাকপা) পামহৈবা ! ঐদি নঙবু কোইথি থিরুরি অদুগা নঙদি সিদা লৌবুক ময়ায়সিদা নুংঙাইনা ফমদুনা লৈরম্মীনে, লাকও চৎসি লাকও।

পামহৈবা :- কদাইদনো চৎতোয়বো, নঙনা প্রপ প্রপ লাক্লগা চৎলুসি হায়রিসিবো।

লমঙানবী :- তু য়েংঙুসে ঐনা পুরক্লিবা সনাবুলসে অহাংবরা অথনবরা য়েংঙুনেসে।

পামহৈবা :- অহাংবনি, অদু কৈদৌরগে নঙনা প্রপ প্রপ লাক্লগা ঐঙোন্দা অহাংবা সনাবুল অমা পুরক্লগা তৌরিসিবো করিনো? লমঙানবী নঙসে ঐদি সুম কীবু কীশিনলক্লে।

লমঙানবী :- হো ইবুংঙো নঙোন্দা করিসু কীবীয়ু হায়জদে, আ পাৎয়াইদা লৈবা ঈশিং কোমদুদা ঈশিং খরা য়াওরিবদু অমুক্তা শোকমীন্নরুসি হায়বগী ৱানি, স্বাই অনকপসিদা লৈরিবা পুখ্রিশিংসিদি ঈশিং লোয়না কংলবনিনা ঈশিং শোকফম অমতা লৈতরে।

পামহৈবা :- অদো ঙসাইনা ফজনা অদুম ঈশিং শোকমীন্নরুসি ইতোমতা ঈশিং শোকপা চৎপা কিজে কোক হায়রগা লোইরবদুবো।

লমঙানবী :- কীবগী ৱা নৎতে ইতোমতা সুম লাপ্পা চৎপদু নুংঙাইতবগী ৱানি, চৎচরে নঙ অদুম মোন্দ্রং শান্নদুনা লৈজহৌরো (শাওবা)।

পামহৈবা :- হে লমঙানবী ! ঙাইখোনেহে চৎমীন্নসি ঙাইখো হায়বা, মীনা ফাগী তৌরগা অওইবমক্কী শাওরগা চৎখিনে, ঙাইখো হায়বনি (তান্নবা)।

লমঙানবী :- নোংসিসু করিনো খঙদে মকুম মথা য়ৌরসি ফাওবা তারক্লেনে, লাইসিসু মীনুংশি লৈতবজাৎনি ঐখোয় মীওইবশিংসে য়াম্না ৱাহল্লি, নোং তাদ্রবনিনা পুখ্রি পাৎ খোঙবান পুন্নমক ঈশিং কংলে, লৈক্রক চৎলে, ঈশিং খরা ফংননবা হোৎনবদা কয়াদা ল্যাপ্পা ঈশিং শোকপা চৎলিবা, ঈশ্বরসিনা অৱাবা পীরিবসে নুপা নোয়দগীদি নুপী ঐখোয়দনা খরা খিৎ হেল্লি।

পামহৈবা :- নোং তাদ্রগা নঙনা ঈশ্বরদা অদুক শাওরিদুবো করিগীনো, নোং তারক্লিবসিদি ঈশ্বরনসু নৎতনা।

লমঙানবী :- লেংলি পাল্লিবা পুন্নমকসে ঈশ্বর মাগী খুৎশেম্নি, পুন্নমকসে মানা ওইহন্নিংবা মওংদা ওইরিবনি।

পামহৈবা :- মহৌশাগী নীংথিবা ফজবা পুন্নমকসে ঈশ্বর মাগী খুৎশেমনি হায়বদি ঐসু য়ানিংঙি অদুবু মহৌশাগী নীংথিরবা খুৎশেমশিংবু ঐখোয় মীওইবনা অকায়বা কয়া থোকহনলকপদগী মহৌশাগী খোঙচৎ, অইং-অশা, নোংজু-নুংশাদা অকায়বা কয়া ওইরক্লিবনি।

লমঙানবী :- নঙনা হায়রিসিদি নোং চুগদবা মতমদনা হেক চুদা, চুরোইদবা মতমদনা হেক চু, মরম চাদনা ইকং থোকপা, ইচাও থোকপা পুন্নমকসে ঐখোয় মীওইবনা থোকহল্লিবনি অসিনিনে।

পামহৈবা :- উম অচুম্বনি, উমং-ৱামং কয়া মরাং কায়না ঐখোয়গী খুনসিদা লৈরিঙৈদা নোংজুগী চাংদা অকায়বা ওইরমদে, হৌজিক্তি য়েংঙুনে ঐখোয়গী খুনসিগী অকোয়বদা লৈরিবা চীং পুন্নমকসিদা উপাল্বী অমতা হৌদরে, মরু পুমকোক কোক্লে, উ-ৱাশিংসিবু কনানা য়াম্থোকপগে, ঐখোয় মীওইবনা য়াম্থোকপা নৎতরা, ঈশ্বরনদি নৎতে হায়বা।

লমঙানবী :- হোয় অদুবুদি চুম্মী, উ-ৱা মরাং কায়না হৌরিঙৈদদি ঐখোয়গী খুনসে সুমাইনা শারমদবনি, হৌজিক্তি শাবগী চাংসু য়াম্না হেনগৎলে, হৌজিকসে পুখ্রি পাৎ খোং পুন্নমক ঈশিংনা ইমায় চোন্না লৈরগদবা মতমনি, থরো থম্বালনা ফুগায়না শাৎলগদবসিদা মফম খুদিং লৈক্রক চৎতুনা লৈরে।

পামহৈবা :- এ ! ঈশিং কোমসিসু ঈশিং য়াওশিনলক্তরেনা, ঙহাক লৈরদি ঈশিংসিসু লোয়না নৈরনি খুঞ্জাশিংনা শোকপদা, কদায়নো সনাবুলদো ঐঙোন্দা পীরক্লো ঈশিং শোক্লকলগে।

লমঙানবী :- সে তপ্পা শোক্ললকউকো, লৈনাং ঙাক্তা অমুক শোক্কৎলক্কনি।

পামহৈবা :- (ঈশিং শোক্লকপা) লাকও চৎলসি লাকও, নোংসিনা মতারক্তবদি ঙসি নোংমা নিনিসিগী মনুংদা ঈশিং কোমসিসু কংখ্রগনি।

লমঙানবী :- অদুদি ঐখোয় ঈশিং খরদং ফংনবগী য়াম্না লাপ্পা অতোপ্পা খুনশিংদা চৎপা তারিবরা।

-ম্যুজিক-

(মফম: লম্বী, মতম: নুমিদাংৱাইরম, শা-ষনশিংনা কন্না কন্না খোংবা)

তোলহন :- ইবেম্মা কৈন্যাতোম্বী উদবা কুইরেদা, কদাইদা চৎলুবনো নঙবো?

কৈনাতোম্বী :- তাদা ! ঐ মখা লৈকায়রোমদা ফৌ থীৎতং ৱানবা ফংগদরা হায়দুনা চৎলুবনি অদুবু ফংলক্তরে। মমাং চহিদা ঈশিং চাওখিবদুদা ঐখোয়গীদি লৌ লোইনা শিখিদুনা চানিংঙাই ফৌ-চেং অমতা লৈতরে, হন্দক চহিনা অমুক ইকং থোক্লুবনিনা লৌ পানবসু য়াদরে, করম থোক্লগদবা হন্দক্কী চহিসিনা, খল্লুবদা য়াম্না পাখৎলে ঐদি।

তোলহন :- ইবুংসু খুনসিগী প্রধান অমা ওইনা, খুনসিদা ইতৎ তৎতনা ইচাও অমুক থোক ইকং অমুক থোক তৌদুনা অৱা-অনা কয়া থোরক্লিবসি করি করি পাম্বে তৌরগা খরদা ওইরসু ঙাকথোক্লুবা উপায় তৌসিগে খল্লিবনি, খুঞ্জাশিং পুন্না খন্নমিন্নদুনা তৌবা য়াবশিং তৌননবা য়াম থুনা থবক পায়খৎলনি অদুনা থোইদোক্না পংৱাসু ৱারুনুদা ইচলসিদি।

কৈনাতোম্বী :- ঐখোয় খুনসি চহি খরগী মমাংদদি , নুংঙাই য়াইফনা পানজরম্বিনি, মহৈ-মরোং চুম্না পাল্লম্বনি অদুবু হন্দক চহি অমা অনিসিদা কৈদৌরবনো খঙদে অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাংসু পুংকায় কায়রে, খুনসিবু কোল্লিবা ইমাইবেম্মা পাম্হৌইবী ইপাইবুংঙো নোংপোকনিংথৌ অনিনা মচা-মনায় ঐখোয়বু শাওরবরা খঙদে অদুনা তাদা খুনগী মীয়াম পুম্নমক পুল্লগা অমাইবা অমাইবী য়াওনা ইরাৎ থৌনিবগী থৌরম অমতং পাঙথোকপনা ফগদরা খল্লি।

তোলহন :- উম নঙনা হায়গুল্লদনা খুনসিগী লাইরেম্বা লাইরেম্বী অনিবু ইরাৎ থৌনিজরগা ঐখোয়গী অৱাবশিংসে কোকপীনবা হায়জসি।

কৈনাতোম্বী :- অদুদি তাদা ঐ খুঞ্জা পুম্নমক্তা পাওসি হায়রুরগে, ইমা-ইপা অনিনা থৌজানবীরবদি নোংসু তারক্লনি, মহৈ-মরোংসু মকা ফন্না হৌবা ঙল্লনি, অৱা-অনা পুম্বা কোক্লগনি।

তোলহন :- ফরে ফরে, পুম্নমক নঙনা ফনবা শীল্লোকো।

কৈনাতোম্বী :- অহোয় তাদা, অদুদি ঐ খরা হাঞ্জরল্লগে। হৌজিক্তগী হৌনা অউ-অউবশিংদা পাও চেনবা হৌরগে লাই খুরুম্বগী থৌরম পাংথোক্লবা।

তোলহন :- চৎলল্লো চৎলল্লো, ঐ ঙহাক সুম ৱাক্কিং চৎহৌখিগে (ফোন রিং লাকপা) ... কনানোনে ফোন তৌরকইসিবো... হল্লো.. কনা ওইবিরবনো?

থোয়হেনবা :- সিবু মাম্মা তোলহনহোয়গী ওইবিরবরা?

তোলহন :- মানিনে ফোন পায়রক্লিবা ইশামক প্রথান তোলহননিনে, ইবুংঙোবু কনা ওইবিরিবনো করি হায়বিগদবনো?

থোয়হেনবা :- মান্মা ! ঐ থোয়হেনবনে, ঐবু খঙদ্রবরো।

তোলহন :- হায় নঙবু... আ আ থোয়হেনবা... ঐখোয় তোন্বীগী মচানুপা থোয়হেনবা...।

থোয়হেনবা :- উম মানে মান্মা, ঐ মান্মগী ইচলতোন্বীগী মচানুপা থোয়হেনবনে।

তোলহন :- (নুংশিনা) নঙদি পীশক পীক্লিঙৈদগী আ মীরমদা লাইরিক তন্লিবনি হায়দুনা অদুম লৈখরে, নঙনা ঐখোয়গা উনরক্ত্রিবসি কয়াদি কুইরে।

থোয়হেনবা :- মান্মা ঐ হৌজিক হৌজিক য়ুমদা থোরক্তুনা লৈ, ঐনা অমুক আ দিল্লিদা চৎত্রিঙৈদা মান্মগী নাক্তা অমুক্তং লাক্লমগে খন্দুনা ফোন তৌরকইবনি।

তোলহন :- নঙবু নঙগী রিছার্চ তৌবদু লোইদ্রিবরনে, মপান্দা সুম লৈরগে হায়বরো নঙবো, নমাসু মতোমতা সিদা তরক তরক লৈহৌবসে নুংঙাইতেনে, মান্মনসু তোয়না তোয়না নখোয়দা লাক্তুনা য়েংশিনবিবসু ঙমদে। নমাগী খল্লগা ঐদি নহাকসে কুইনা মীরমদা লৈহন্নিংদ্রেবো।

থোয়হেনবা :- মান্মা ! ঐনা হৌজিক হৌজিক তৌরিবা রিছার্চ সিবুদি লোইরে, মখা তানা থীজিন খোৎচিনবগী থবক্তি ঐদি অদুম মখা চৎথখিগে খল্লিয়ে মান্মা, অদুগা ঐ নুংঙাইবা পাও অমসু তমগে হায়দুনা ফোন তৌরকইনে।

তোলহন :- করি নুংঙাইবা পাওনোনে থোয়হেনবা?

থোয়হেনবা :- অদুবুরো মান্মা, ঐ ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টগী সাইন্টিষ্ট ওইনা খল্লে।

তোলহন :- নুংঙাইরেদা, ফরে ফরে অদুদি নঙ আদা দিল্লিদা অদুম লৈবা তারেনে, নঙনা আদা থবক তৌদুনা লৈখিবা তারবনিনা নমাদি ঐগীসিদা লৈহনবা হায়বদুনি।

থোয়হেনবা :- মান্মা ! হন্দক্তি ইমাসু পুরগা চৎলগে খল্লি, ঐ নোংমা নিনিসিগী মনুঙদা মান্মগী নাক্তা লাকচগে অদুগা মেন তানা ৱারী শান্নরসি।

তোলহন :- হোয় হোয় লাকও লাকও, অদুগনে ইবুংঙো নঙগা তান্নগদবা থবক খরসু লৈ অদুদি মান্মা ফোন থমগেকো।

থোয়হেনবা :- অহোয় মান্মা, ঐ য়ারিখৈ থুনা লাক্লবা তৌজরগে।

তোলহন :- ইহে নুমিৎ তাশিল্লক্লেদনা তৌরিসিদি, আদা হোবে হোবে লাকইসিবু কৈন্যাতোন্বীগী মচানুপা পামহৈবদু নৎতরনে, মমগা মমশিল্লকপনে ময়েক শেংনসু উদরে... হায় পামহৈবা নৎতরনে নঙবো, কৈদৌবা য়াওরগে নঙনা অদুক তহা-তহা চৎলিদুবো।

পামহৈবা :- আ মানি খুরা, ঐখোয় ইমাদো ঙসাই নুংথিন্দগী য়ুমদগী মখা লৈকায় চৎলুনি হায়দুনা থোকখ্রগা নুমিদাং ওইশিনলক্লসি ফাওবা হঞ্জিলক্তবদুদা পাখৎতুনা থীবা থোরক্লিবনি।

তোলহন :- নমাদি ঐগা ঙহাক্কী মমাঙদা থেংনরম্মী, ফৌ ৰানবা চৎলুবসু ফৌ অমতা ফংলক্তরে হায়রম্মী অদুগা খুনসিবু কোল্লিবা লাইরেম্বা লাইরেম্বী ইরাৎ পূজা তৌদুনা নোং তারক্ত্রিবসি তারক্লবা থৌনিসিসু হায়রম্বনি।

পামহৈবা :- ঐখোয় ইমাগী হৌনবী য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা পাও চেনবা চৎলম্লনি, অদুদি খুরা ঐ ইমা অমুক্তা থীজরুখিগে, ঐ খরা হানজরম্লগে।

তোলহন :- চৎলো চৎলো, খুরাসু য়ুমদা হল্লগে।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাং, মফম: পামহৈবগী য়ুম, লাপ্লা হুই কপ্পগী মখোল তাবা, ষনসু কন্না কন্না খোঙবা)

কৈন্যাতোম্বী :- হায় পামহৈবা নঙবু তুম্মবরা হায়বা, অরাপ্পদা হুইনা কন্না কন্না খোংলিবা, ষণশিংসু খোংলিসে তাবরা হায়বনে।

পামহৈবা :- চাক লোইরবো ইমা (তুম্মুবদগী তল্লি তল্লি হৌগৎলকপা) ঐদি চাক লোয়মন্দবদুদা তুমশিনলুরে, কদায়নো চাকপো চারগে।

কৈন্যাতোম্বী :- মীনা হায়বদি খুমদেনে, হুইনা লাক্লা লাক্লা খোঙলিবা, শা-ষনশিংনা খোঙলিবসে তাবরা হঙবদি খুমদেনে, লোইদ্রি লোইদ্রি চাক্কা অমতা লোইদ্রি।

পামহৈবা :- শা-ষণ খোঙলগা কৈদৌরগে, মোয়সু মপুক লামদুনা খোঙবা ওইরিনি, য়ুমথোং খুদিং কোইচৎ চৎলুরগা থেংঙেখৈ হঞ্জিনলক্লগা চাক্তু থোংনিংবোই থোংনিংদবোই থোংলবনিনা হৌজিক ফাওবা লোইদ্রিবনি হায়বা।

কৈন্যাতোম্বী :- হুম মসি অঙাংসি য়েংঙুনেহে, হে ঐনা য়ুমথোং খুদিং কোইচৎ চৎলুরিবসে খুনসিগী কান্নবা য়াইফনবা থবক্কী চৎলুরিবনিনে।

পামহৈবা :- এ ! কৈনো ইমানা হায়রিদুবো, খুনসিগী করি কান্নবা থবক তৌগদৌরিবা ইমানা।

কৈন্যতোম্বী :- ঐখোয় খুনসি হৌজিক ইকং থোক্লে, নোং তাগদবা মতমসিদা নোং তাদরে, লৌউ-শিংউবগী থবক অমতা তৌবা য়াদরে, থক্লা চানবা ঈশিং লৈতরে, পুখ্রি-পাৎ তুরেল ঈশিং অমতা লৈতরে লোয়না কংলে, খুঞ্জা পুম্নমক অৰাবা ওইনরে মসি পুম্নমকসি কোক্লবা খুনগী লাইবুঙদা মীয়াম হুপ্পা অমাইবা অমাইবী য়াওরগা ইরাৎ থৌনিগদৌরিবনি, অদুগী শেনখায় খায়বা চৎলুরিবনি।

পামহৈবা :- লাই খুরুম্লগা নোং তারক্কনি হায়বদি ইমাদা কনানা হায়রিবা, মীঙোন্দগী পৈশা খায়বগী থবক্তু তৌরুনুকো চোপচনি, ঐদি হায়রিসিনিকো ইমা, ইমানা তৌরিবা থবক্তু ঐ কয়া পামদেকো।

কৈন্যাতোম্বী :- ইপা-ইপু নীংথৌ পাল্লিঙৈ হাক্ততগী নোং তারক্ত্রবদি নোং তারক্লবগীদমক ঈরাৎ থৌনিবগী চৎনবী লৈরক্লিবনি, লাইরেম্বা লাইরেম্বীনা চানবীরবদি ঐখোয়গী অৰাবসে কোকপীগদৌরিবনি অঙাং নঙনা করিসু খঙপোৎ নৎতে (শাওবা), অহল ঐখোয়না তৌবা থবাক্তা হৈপা শারক্কনু।

পামহৈবা :- হৈপা শাবগী ৰা নৎতেনে ইমা, ঐখোয়গী খুনসিখক নৎতে ইকংগী অৰাবা ইচাওগী অৰাবা মায়য়োক্লরিবসে, হৌজিক মালেমসিদা শাবগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলকপদগী ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়বদি অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খল কাইরকপদগী মালেমগী মফম পুম্নমক্তা অৰা-চৈথেং কয়া নংনরক্লবনি, অৰাবসে লাই খুরুম্লগা ফগদবা নৎতে হায়বনি ইমা।

লমঙানবী :- (থোং থীনবা) হো ইনে... হো ইনে... পামহৈবা ... পামহৈবা... থোংসি অমুক্তা হাংঙো।

কৈন্যাতোম্বী :- ক নানোনে অসুক থেংলকানসিদা লাকইসিবো ... (থোং হাংবা) হায়মা ! ইবেম্মা লমঙানবী কৈদৌরে, নুমিদাংসিদা নতোমতা লাকপরো কনাগা লাকইনো হায়বনি নঙবো।

লমঙানবী :- পাবগা লাকপনি ইনে, পাবনা ইনে উন্নরুনি হায়বদুদা ঐসু য়াওরক্লিবনি।

তোলহন :- কৈন্যাতোম্বী নোয়বু চাক চারবরো, নঙগা ৰা অমতা তান্নগে হায়দুনা লাক্লিবনি।

কৈন্যাতোম্বী :- চাদ্রিয়ে তাদা থোংবা লোইদ্রিয়ে, ইমুংদা ওইনা চংবিরকও ইমুংদা ফন্লগা মেন তানা ৰারিদু শান্নরসি।

পামহৈবা :- খুরা... লমঙানবী... সে মোরাসিদা ফমসি, খুরাহোয়দি চাক চাবিরক্লবো?

তোলহন :- নুমিদাংৰাইরমগী ৰাঙ্কিং হঞ্জিনখিবদা ইচা লমঙানবীনা চাক লোয়রগা লৈরল্লে অদুনা ইপা-ইচাদি ঙন্তা চাক চাথোক্লগা নোয়দা ঙহাক কোয়থোক্লুরসি হায়দুনা লাকইবনিনে।

লমঙানবী :- ইনেগী চাক থোংবদো ঐ লোইশিনবিরগে, সিদা মেন তানা ফন্লগা পাবগা ৰারী শান্নররো।

কৈন্যাতোম্বী :- হোয় হোয়, তাদা করি ৰানো তান্নসি হায়বদুবো, করি তৌরগে (খিৎতং পাখৎপা)।

তোলহন :- কৈসু তৌদেদা, নঙবু ঙসাই লৈকায় মীয়ামদা লাই খুরুম্নবগী পাও চেনগনি হায়বদুবু চেনবা হৌরম্লবরো।

কৈন্যাতোম্বী :- য়ুমথোং খরদি চংলল্লে তাদা, শেনখায় খরসু খায়নদবা য়ারোইদবনিনা শেল খায়রক্লবসু হায়রল্লে, মীপুম অয়াম্বা হরাও-হরাও য়ানহৌরে, হয়েং খরা অমুক পাও চেল্লগে অদুগা অফবা নুমিৎ অমা লেপথোক্লসি।

তোলহন :- ঈশ্বর খুরুমদুনা য়াইফা মাঙ্গোল ওইনবগীদমক ইরাৎ থৌনিবা হায়বসে তৌদবা য়াদবা থবক অমবুদি অমনি অদুবু কৈন্যাতোম্বী তহা-তহা শেনখায়গদি খায়জিনলুখিগনু, ঐ হান্না অমুক্তা অখণ্ড-অহৈ লাইরিক-লাইশু হৈরবা মীওইশিং তান্নদুনা ঐখোয়না হৌজিক খুনসিগী মীয়াম্না ঈশিং লৈতবগী অৱাবা মায়য়োক্লরিবসে সরকারগী মীৎয়েং চংবীনবসু হায়জগে অদুগা ঐগী ইচলনুপীগী মচানুপা থোয়হেনবসু ক্লাইমেৎ সাইন্টিষ্ট ওইরে, মাসু য়াম থুনা ঐখোয়গীসিদা লাক্কনি মাগসু তান্নবা য়াবা খন্নবা য়াবা পুন্নমক হান্না অমুক্তা তান্নখিসি, খন্নখিসি।

পামহৈবা :- খুরানা হায়রিবা ৱাফমসিনা অফবা ওইগনি ইমা খুরা ! থোয়হেনবদু অঙাং ওইরিঙৈদা উনখিবদগী শুংউ উন্নখিদরে, কুইনা উন্নখিদ্রবনিনা উনবদা মশক্কা অমতা খংনররোই, মা সাইন্টিষ্ট ওইরে তাবদা য়াম্না নুংঙাইরে।

লমঙানবী :- ইনে চাক লোইরে, থেংলে চাকসি চাথোক্লবা তৌরো, পাবা ! ঐখোয়সু অমুক হল্লসি।

তোলহন :- হোয় হোয় চৎলসি, নমা-নচাসু চাক চাথোকমীন্নহৌরো।

কৈন্যাতোম্বী :- ফরে তাদা অদুদি য়ৌবিরোকো, ইবেম্মা লমঙানবী চৎলোকো।

লমঙানবী :- হোয় ইনে।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক, মফম: তোলহনগী য়ুম, উচেক ৱায়ানা খোংবগী মখোল)

থোয়হেনবা :- (গাড়ী থৌজিল্লকপা) চহি তরামরি-মঙা শুজিল্লক্লে ঐনা মাম্মহোয়দা লাক্ত্রিবসে, পুংকক চাওরকপা মতমদা ইমাগা নিঙোল চাক্কৌবা লাকমীন্নখিবা অদুদগী ঙসি লাক্লিসিনি, মফমসিসু কয়াদা ওনলল্লবা, উপাম্বীশিংনা কৃক কৃক ইন্না হৌরম্বা মফমশিংসিসু ঙসিদি পুমহাং হাংলল্লে, ফৌনানা পুমশং শংলম্বা লবুকশিংসিসু পাম্বী-শিংনা ফাওবা হৌদরে, লৈক্রক লোয়না চৎলে, ঐখোয় মাম্মহোয়গী থোঙ্গালসিবু চুল্লবরা ঐনা চংলক্লিসিবো, পুমওন ওনলল্লেনে তৌরিসে, হেক্তা কৌরগা য়েংলগে, মাম্মা... মাম্মা... লমঙানবী ... লমঙানবী... কৌবা।

লমঙানবী :- (মনুংদগী) হো কনানো... আ কনা হংবীবা ...।

থোয়হেনবা :- নঙবু... উম লমঙানবী নৎতরো, নঙ ঐ খঙদ্রবরো?

লমঙানবী :- ঐবুদি লমঙানবীনে... অদো... সোম ইতৈ থোয়হেনবা ওইবিরবরা; ঐখোয় পাবনা ইতৈ থোয়হেনবা লাক্কনিদি হায়রমগুম তৌবনি।

থোয়হেনবা :- মানিনে ঐ নতৈ থোয়হেনবনিনে, নঙদি লৈশাবী ফারল্লে, কুইনা উনদ্রবনিনা নঙ ওইরমগদরা ওইরমলোইদরা খল্লুরিবনিনে ঐদি, ঐনা চংলক্লিবা য়ুমশিসু ওন্নরবরা খল্লুরবনি ওনদি ওন্নরমদরেহে অদো মাম্মদি লৈবা উদে কদোমদা চৎথোকখিগে।

লমঙানবী :- পাবদি অস্বাইফাওদং চৎলুগে হায়দুনা চৎখিবনি, লাকঅনি ইতৈ, সুমাংদা অদুম লেপ্পুনা লৈরিদু কৈদৌরগে ইমুংদা চংঙসি লাকও।

থোয়হেনবা :- চংঙসি লাকও লাকও, অদো নঙবু চাক থোংঙবো।

লমঙানবী :- চাকপুদি থোংলে, এঙ্গাংদি থোংদরি, ইতৈ লাক্লগা ইতৈনা চানিংবা অমা থোংলগে হায়দুনা, করি থোংসি হায়রিনো।

থোয়হেনবা :- অঙাং ওইরিঙৈদা মাম্মনা পাৎতগী ফারকপা উকাবী খুবাক খুবাকমুক পাকপদুগা খামেন অশিনবা মচাদুগা থোংবদু খঙনিং নিংশিংলকই ঙসিদি, খংচা হেক চানিংলকই।

লমঙানবী :- ইতৈ নহালৱাই ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা উখিবা খুনসিগী ফীভম, মওং মতৌ অমতা হৌজিক্তি উবা ফংলরোই পুমওন ওল্লে।

তোলহন :- ইবেম্মা লমঙানবী ! নতৈদুবু হৌজিক ফাওবা লাকত্রিবরনে, মাবু লাক্লরোইদবা জাৎলনে।

থোয়হেনবা :- মাম্মা ঐদি ঙসাইনা লাক্কুনা লৈরে, খুরুমজরি মাম্মা।

তোলহন :- অফবা নমায় পাকপা, মীথোয়হেনবা ওইয়ুকো ইবুংঙো, হায় ইবেম্মা ইপানা নতৈ পীজনবা হায়দুনা থংনবা খুনদগী উকাবী খরা লৈরকপনি, সে সে লৌশিনলরো লাকও।

লমঙানবী :- ফরেদা পাবা, ইতৈনা হৌজিক্তা উকাবীগা খামেন অশিনবা মচাগা থোংবা চানিংঙি হায়রম্মীনি, ইতৈ ঐ হাওনা থোংলক্কেকো, পাবাগা ৱারী শারম্মু।

তোলহন :- থোয়হেনবা ! ঐখোয়গী খুন অসি হৌজিক্তি লমগং হায়বদু ওইরে, খুনসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক হীংনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইনরে, লৌউ শিংউবগী পোৎথোকসু য়ম্না হন্থরে, নোং তাদ্রবনিনা হন্দক্কী চহিসিসু মহৈ-মরোং অমতা ফজনা হৌবা ঙমদরে।

থোয়হেনবা :- মালেমসিগী এটমোস্ফিয়ারদা গ্রীন হাউস গ্যাসশিং মরুওইনা ৱাটর ভেপর, কার্বোন দাইওক্সাইদ, মিথেন, নাইট্রস ওক্সাইদ, ওজোননচিংবশিং অসি য়াওবগী চাং অসুম অসুম ৱাংখৎলকপদগী নুংশাগী মৈশা কা হেন্না চুপশিনবদগী মালেমগী শাবগী চাং অসি হেনগৎলক্কুনা মহৌশাগী লৈজরম্বা নোংজু-নুংশা, অইং-অশাগী চাংদা চাওনা অকায়বা ওইহনলক্লি হায়বদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লি।

তোলহন :- অচুম্বনি ইবুংঙো, হৌজিক জুন-জুলাই নোং ফজনা তাগদবা মতমসিদা নোংলিক অমা ফাওবা তাদ্রিবসিনি, লৌউ-শিংউনবা ঈশিংদি লায়রদনা থক্লা-চানবা ঈশিং ফাওবা লৈশিনলক্ত্রবনিনে।

থোয়হেনবা :- ক্লাইমেৎ সাইন্টিষ্টশিংগী মতম মতুংইন্না ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা খ্বাইদগী শোকহনলক্লিবা অসি ৱাটর সাইকল অসিদনি, নোংগী ঈশিং মতম চানা অমদি চাং চানা তারক্ত্রবনিনা থক্লনবা ঈশিং, লৌউশিংউনবা ঈশিং মরাং কায়না লৈরক্ত্রবনিনা ঐখোয় মীওইবনা হীংননবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়য়োক্লরকপা তাবনি।

তোলহন :- ইবুংঙো মালেমসিদা মীশিংদি নোংমা নোংমগী অসুম অসুম হেনগৎলকই, লৈফম লৈরক্তবদগী উমং-ৱামং কয়া কোকথোক্তুনা খুন্দাশিনলকই, মহৌশাগী খুৎশেম খুদিংমক মাংহনলক্লি, মসিদবু মালেম পৃথিবী অসিনা কয়াম কুইনবু খাঙদুনা লৈবা ঙমখিদোইনোনে।

থোয়হেনবা :- অচুম্বনি খুরা, মীওইবা ঐখোয়না ফোশিল ফ্যুএলশিং কা হেন্না শিজিন্নরকপদগী থাদোরকপা গ্রীন হাউস গ্যাসশিং মরুওইনা কার্বোন দাইওক্সাইদ, মিথেন অমদি নাইট্রস ওক্সাইদ নুংশিৎতা য়াওবগী চাং অসি ইং ২০১৭ ফাওবদা কাহেন্না ৱাখৎলে। হৌজিক নুংশিৎতা য়াওবা কার্বোনদাইওক্সাইদকী চাং অসি পার্টস পর মিলিয়ন ৪০৫ য়ৌরে।

তোলহন :- খঙদরে ইবুংঙো ঐখোয়না তৌগদবসে, নুংঙাইনা হীংনিংবা মীওইবনিনা নুংঙাইনবা হোৎনবদা তুংদা করি থোক্লক্কদগে খন্নদবা মীওই ঙাক্তনি।

থোয়হেনবা :- ইং ১৯৯৫ দগী শাবগী চাং অসি অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লি হায়না পানরি অদুগা নেসনেল ওসিনিক এন্দ এটমোস্ফেরিক এডমিনিষ্ট্রেসন (নোৱা) গী মতুং ইন্না ইং ১৮০০গী তংখাই চল্লকপা মতম অদুৱাইদগী হৌজিক ফাওবা অসিগী মনুঙদা ইং ২০১৭ অসি খ্বাইদগী শাবাবা চহিশিংগী মনুঙদা অহুম শুবদা লৈ হায়না হায়রি। মালেমগী শাবগী চাং অসি চাংচৎতা অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লি মরম অসিনা নোংজুগী চাংদা চাওনা অহোংবা অকায়বা ওইহনলক্লি।

লমঙানবী :- ইতৈ চাক লোইরে, পাবা লাকও চাক চাথোকমীন্নরসি, ৱারীদো হোরেল কোন্না চাক তোল্লগা অমুক শারো (ইমুংদগী হায়রকপা)।

-ম্যুজিক-

(মতম:- অয়ুক, মফম: কৈন্যাতোম্বীগী য়ুম, নুংশিবা উচেক-ৱায়াগী খোঞ্জেল)

লমঙানবী :- ইনে লোয়শিনলবো, লাই খুরুম্বা চৎলুসি হায়বদুবো।

কৈন্যাতোম্বী :- লোয়রে লোয়রে, ইনে চন্দোন মচেৎ অমতংদি নমলকখিগে, সে সে মোরাসিদা ঙহাক ফম্মুসে।

পামহৈবা :- কৈনো লমঙানবী য়াম কেনা লাকইসিবো কদায়দা চৎলুদোইনো।

লমঙানবী :- ঐখোয় খুনসিবু কোনবীরিবা ইমা ইবেম্মগা ইপা ইবুংঙোগা খুরুম্লুগে তৌবনিদা।

পামহৈবা :- নোয়গী থোয়হেনবা লাক্কনি হায়দুবো লাক্ত্রবরো, ঐসু মাবু অমুক্তং উন্ননিংঙি, মাগা তান্ননিংবা ৰা খরসু লৈ।

লমঙানবী :- ঐদি নঙোন্দা হায়বা কাওরুরে, ঐখায় ইতৈদি ঙরাং লাকএ, নোংমা নিনি ঐখোয়দা লৈখো হায়দুনা পাবনা হায়বদগী ঐখোয়দা লৈহৌই।

কৈন্যাতোম্বী :- ইবেম্মা ! লোয়রে লোয়রে লাকও চৎলসি, হায় ঙাইখোনেহে অদা থোঙ্গাল্লোমদা চংলকইসিবো তাদা তোলহন নত্রনে, কনানো ইবুংঙো অমা য়াওরক্লিসিনা। তাদা ! কদোমদগীনো তৌবীরকইসিবো লেংশিনবীরকও।

তোলহন :- ঐগা লাকমীন্নরিবসি কনানো খঙব্রা য়েংঙুন।

পামহৈবা :- আ খুরা, ঐগী অঙাং ওইরিঙৈগী মরুপ ইতাও থোয়হেনবা নৎতরা?

থোয়হেনবা :- মানি, নঙনা ঐগী মরুপ পামহৈবা, কুইরেকো ঐখোয় উনরক্ত্রিসে, ঙসি অমুক উন্নবা ফংবসে য়াম্না নুংঙাইরে।

কৈন্যাতোম্বী :- নঙবু ইচা থোয়হেনবা, নঙদি নশক্কা পুমওন ওনলল্লে, ইমাদি নঙবু লাকশিনবা ঙল্লুদরে, নমাদি কমদৌরি, নুংশিবনিদা নমাদো কুইরেদা উন্নদবা, নমাগা ঐগনা লৈশারিঙৈ মতমদা ঙাওরকপশিংদো নীংশিংলুরগা নোকপু নোকনিংলকই (থৰায় তানা নোকপা)।

থোয়হেনবা :- ঐখোয় ইমানসু ইনেবু ইতৎ তৎতনা শোল্লি, মথং লাকপদদি ইমাগা লোয়ননা লাকমীন্নগে।

লমঙানবী :- ইতৈ, ঐখোয় লাইবুংদা চৎলুসি লাওদনা, ইনেগা ঐগা লাই খুরুম্বা চৎলুগে তৌরিনি, ইনে চৎলসি থেংখ্রনি লাকও।

তোলহন :- লাকও লাকও ঐখোয় পুল্লপ হেক্তা ৰারী শা শাদুনা চৎমিন্নরসি লাকও।

কৈন্যাতোম্বী :- হোয় তাদা, চৎলসি লাকপীরো, ঙসিসে লাইগী থোং হাংবা নুমিৎসু তাবদুদা লমঙানবী ইবানিনা ঙমজবা হে-লৈ, ধুপ থাউমে খরদং পুরগা কৎলুসি হায়দুনা থৌরাংজবনি।

পামহৈবা :- ঐখোয়না পুক্লিং ৰাখল শেংনা ঙমজবা খরদং ঈশ্বরগী মফমদা কৎচবা হায়বসে য়াম্না ফৈ, পুক্লিং ৰাখলসু নুংঙাইহল্লি অদো ইমা, খুন ময়াম হৌদুনা পৈশা খায়নরগা নোং তারক্লবা ইরাৎ থৌনিগনি হায়বদুমদি ঐদ য়ানিংদেকো।

কৈন্যাতোম্বী :- খুন ময়াম হৌদুনা লাই খুরুমদ্রবসু, ইচম চম্না লমঙানবীগা ঐগনা খুনসিগী মহুৎ শিন্দুনা থৌনিজবদি করিসু কাইদেনা।

থোয়হেনবা :- ইনে ঐখোয়না লেংলি পাল্লিবা উপাল-ৱাপাল, শা-ঙা থৱায় পানবা জীবশিং অসিবু নুংশিনা য়োকখৎপীবা শেন্নবীবা, অরেম্বদা মাংহনবীদবা, মহৌশাগী খুৎশেম য়ারিবমখৈ থুগাইবীদবা হায়বসিনা ঈশ্বর মানসু থৌজানবীগদৌরিবনি, অরেম্বদা কান্নদবদা ঈশ্বরগী মীংদা কাহেন্না চাদিং তৌবদি পামজদে। য়াম্না চম্বা মওংদা ঈশ্বর মাবু খুরুমজবা নীংজবা হায়বসিদি ঐসু য়াজনিংঙি।

লমঙানবী :- ইতৈ, মরম চাদনা ঈশিং ইচাও থোরকপা, ইকং থোরকপা, পুন্নমকসি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপগীনি অদুগা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোরক্লিবসিগী মরুওইবা মরমদি ঐখোয় মীওইবগী থবক থৌরমশিংদগীনিকো ।

থোয়হেনবা :- উম অচুম্বনি, ইন্টরগোর্ভনমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ (আই পি সি সি) গী সাইন্টিষ্টশিংগী মত মতুংইন্না হায়রবদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী কা হেন্না নোংচুবগী চাংদা অকায়বা ওইহনলক্লি হায়বসিনি, নোংজুগী চাংদা অকায়বা ওইরকপসিনা মরম ওইরগা লৌউ-শিংউগী পোৎথোক্তা চাওনা অমাংবা ওইহনলক্লি।

তোলহন :- নোংগী চাং ৱাংনা তারম্বা মফমদনা তারক্তবা, নোংগী চাং ৱাৎনা তারম্বা মফমদনা নোং কা হেন্না চুরকপা, শাবা হেনগৎলকপদগী উনগী শরুকশিং শৌদোরকপা, মতম অমতদা লৈবাক অমগী মফম খরদনা ইকং থোকপা খরদনা ইচাও থোকপা, চীং নীংখাইবা, নোংলৈ নুংশিৎ অকনবা কয়া ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা থোকহনলক্লিবনি।

থোয়হেনবা :- অচুম্বনি মাম্মা, ভারতকী মোনশুন সিস্তেম হায়বদি নোং পুবা নুংশিৎকী খোংচৎতসু অকায়বা কয়া ওইরক্লি, ইং ১৯৬১দগীনা ইং ২০১৩ ফাওবগী মনুংসিদা ভারতকী দিষ্ট্রিকশিংগী চাদা তরারোমদনা নোং চুবগী চাং হেনগৎলক্লি অদুগা চাদা তরামঙারোমদনা নোং চুবগী চাং হন্থরক্লি।

পামহৈবা :- ইতাও থোয়হেনবা, ঐখোয়না হৌজিক কুমগী নোংসিনা অসুমক মতম চানা তারক্ত্রবদি লৌউ-শিংউবগী থবকশিংদদি য়াম্না অকায়বা ওইরগনি, করি করি উপায় তৌশিগে।

থোয়হেনবা :- ইতাও ঐখোয় অমতা ওইনা হোৎনমীন্নদুনা অৱাবসিদগী ঙাকথোক্লবা উপায় তৌবা তাবনি, মরু কোল্লবা উমং-ৱামংশিং অমুক নৌনা শেমগৎপা তাই, নোঙগী ঈশিং অরেম্বদা মাংহন্দনা য়োকশিন্নবা পুখ্রি পাৎ তুরেল ইথৈ লৌখোংশিং মতিক চানা শেমগৎপা তাই, অরেম্বদা কান্নদবদা কা হেন্না ফোশিল ফ্যুএলশিং শিজিন্নদবা তাই, মীয়াম খুদিংমক গ্যান তামিন্নদুনা পুন্না হোৎনমিন্নবা তাই।

কৈন্যাতোম্বী :- অদুদি ইবুংঙো ঐখোয় খুন্দা নোং তারক্ত্রিবসিদি খুনসিবু কোল্লিবা লাইনা শাওবদগী নৎতরেকো, ঐখোয় মীওইবনা ওইহনজবা, থোকহনজবা ওইরেকো।

লমঙানবী :- লাইবুং য়ৌরে ইনে, লাই খুরুমলুরসি লাকও।

-ম্যুজিক-